# বিজয় হজারে ট্রোফিঃ মণিপুরনা মেঘালয় থোইখ্রে, পোইন্ট টেবলদা ২ শুবা মফম কল্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): বি সী সী আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬কী শরুক অমা ওইনা হৌজিক ঝরখন্দদা চথুরিবা বিজয় হজারে ট্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মেঘালয় মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা লিগ রাউন্দগী অরোয়বা ফাওবদা মণিপুরনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরি।

রাঞ্চিদা লৈবা জে এস সী এ ওভেল গ্রাউন্দদা ঙসি মণিপুর অমসুং মেঘালয়গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা মেঘালয়না হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। মেঘালয়না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা স্বারাজিৎ দাস অমসুং অর্পিট সুভাসনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা স্বারাজিৎনা বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ১২ অদুগা অর্পিদনা বোল ১৩ মায়োক্লবদা রন ৬ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন কুস অগরৱালনা বোল ৬৫ মায়োক্লবদা রন ৪৭, কৃষ্টন লিন্দোনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৩০ অদুগা জাসকিরাদনা বোল ৭৮ মায়োক্লবদা রন ৭৪ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৪৫দা মেঘালয়াগী ওল আউট ওইরগা রন ২৩৮ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুরনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা কর্নজিৎ ৱাই অমসুং উলেনয়াই খ্বাইরাকপমনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা কর্নজিৎনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ৫ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবসু অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন উলেনয়াইনা বোল ৩০ মায়োক্লবদা রন ২৯ লৌরমখি।

মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন লাংলোনয়াম্বনা বোল ৮৩ মায়োক্লবদা রন ৭৭, জোন্সননা বোল ৬৫ মায়োক্লবদা রন ৪৮ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলমখি। বেটসমেন জোতিন ফৈরোইজমনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৩৬ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৩.৩দা মণিপুরগী ৱিকেট ৭ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পুন্না রন ২৪১ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মণিপুরনা ৱিকেট অহুমদা মায় পাকখিবনি। অমরোমদা, লিগ রাউন্দ লোইবা ফাওবদা বিহারনা পোইন্ট ২০ ফংলগা অহানবা অদুগা মণিপুরনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরি।

# গোল্ডন ট্রোফিঃ জে জে এফ এ অমদি এস দি এ মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): ক্যামগৈ হৈবোংমখোং কে ৱাই পি সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ৯-এ-সাইদ ভিলেজ ওপন গোল্ডন ফুটবোল ট্রোফি ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা জে জে এফ এ থৌবাল অমদি এস দি এ ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে।

গোল্ডন ফুটবোল ক্লব (জি এফ সী) ক্যামগৈনা শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৩দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা টিম ২০না কাঙলুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথুরক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী লিগ মেটচতা জে জে এফ এ থৌবাল অমসুং তামো এফ সী ৱাঙ্গোইগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জে জে এফ এনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা তামো এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা হোৎনরবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু জে জে এফ এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেটচতা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও অমসুং এস দি এ ক্যামগৈগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা এস দি এনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1697**

**IM Lev Zverev (2453) - GM Adam Kozak (2546)**
**World Rapid 2025 Doha QAT, 2025.12.26**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Nc6 6.Bg5 Bd7 7.Qd2 Rc8 8.O-O-O Nxd4 9.Qxd4 Qa5 10.f4 h6 11.Bxf6 gxf6 12.Kb1 Qc5 13.Qd3 h5 14.Be2 h4 15.Rhe1 Bg7 16.Bf3 Bc6 17.Nd5 a5 18.Ne3 Bb5 19.Qd2 Ba4 20.b3 Bc6 21.Nf5 Kf8 22.e5 fxe5 23.Nxg7 Bxf3 24.gxf3 Kxg7 25.fxe5 dxe5 26.Rg1+ Kf6 27. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1696 Solution :**

**29. Qxf7+** *The white queen deflects Black's queen away from protecting the square d8.* **Qxf7 30. d7** *Intermediate move* **Kf8 31.Bxf7 Nf6 32.d8=Q+**
**1-0**

# সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগঃ কৃপসা উরিপোক কাংচুপ রোদ অমদি এন বি সী এ তাকয়েল খোংবাল মায় পাকখ্রে


ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট টুদা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা হৌজিক চথুরিবা ৩০ রক শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা কৃপসা উরিপোক কাংচুপ রোদ অমদি এন বি সী এ তাকয়েল খোংবাল মায় পাকখ্রে।



ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ৮শুবা লিগ মেটচ ওইনা কৃপসা অমসুং টি এস এফ এ তোপ সিফাইগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী কৃপসাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি।

মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কৃপসানা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা টি এস এফ এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। অমরোমদা, মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা কৃপসানা য়াম্না লাকচননা পাঞ্জল ৮-০দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা লিগ মেটচতনা এন বি সী এনা থাওবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।






Title : Cock
By : Evlyne Moirangthem
Class : VI Roll No. : 29 Sec : Neptune
School : Kinder Garten Montessori School




Title : School
By : Loiyangamba Longjam
Class : I Roll No. : 3 Sec : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kakashi Girl
By : Meenakumari
Class : III Roll No. : 33 Sec : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Christmas Eve
By : Nungleppam Moiranglembi Devi
Class : II Roll No. : 27 Sec : A
School : Sishu Nistha Niketan




Title : Micky Mouse
By : Parbina Buya
Class : III Roll No. : 07 Sec : B
School :



Title : Ship
By : Phamthonbi Thongbram
Class : KG Roll No. : 1 Sec :
School :



Title : Family
By : Puwari Thokchom
Class : KG Roll No. : 35 Sec. :
School : RB Academy



Title : Cottage
By : Raniya
Class : I Roll No. : 24 Sec. : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : R.K. Lanchenbi
Class : VII Roll No. : 12 Sec. : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : Best Friend Cups
By : Saad
Class: III Roll No. : 39 Sec. : C
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Ship
By : Silheiba Wahengbam
Class : KG Roll No. : 38 Sec. :
School : Kindergarten Montessori School



Title : Kitty
By : Thokchom Kiranbala Devi
Class : I Roll No. : 21 Sec. B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Tengam Uzui
By : Yohenba Kh
Class : IV Roll No. : 44 Sec : Lotus
School : SL Arena of Learning




Title : Two point perspective
By : Yumnam Suraj Singh
Class : VIII Roll No. : 37 Sec. : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : Clean India Green India
By : Huidrom Rataneshori
Class : II Roll No. : 114 Sec. : C
School : Regular English High School Kwakeithel



Title : Phou Suba
By : Hendrika Naoshram
Class : V Roll No. : 4 Sec : Lotus
School : SL Arena of Learning



Title : C. Ronaldo
By : Kangjam Taibanganba
Class : IV Roll No. : 5 Sec : B
School : Ajad English School



Title : Rainbow
By : Rameen Rabiha
Class : II Roll No. : 20 Sec : F
School : Tinytots' Unique School



Title : Ibendhou Emoinu
By : Sameirang Soibam
Class : IV Roll No. : 1 Sec :
School : Alpha & Omega School, Porompat



Title : Pumkin
By : Tany Khwairakpam
Class : I Roll No. : 42 Sec : C
School : St. George High School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com